## আর্মি রিক্রুটমেন্ট

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস):
লাক্লিবা জুলাই, ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা সিল্লোংগী অসাম রেজিমেন্ট সেন্টরদা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনা নুপী কেন্দিদেটশিংগী আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অমা পাঙথোক্কদৌরি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (দিফেন্স ৱিং) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিক্রুটমেন্ট রেল্লিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা এপ্রিল ২৫ দগী জুন ৮ ফাওবদা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি। সোলজর জেনরেল দ্যুটি (ৱিমেন মিলিটরি পুলিস)গী অহাংবা ফমশিং লৌনবগীদমক ক্লাস টেন পাস তৌরবা অৰাং নোংপোক লমদমগী নুপীশিংনা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

## কর্ফিয়ু থমখ্রে

দিমাপুর, মে ০৭ (এজেন্সী):
নাগালেন্দগা লোন্নবা অসামগী শিবসাগর দিষ্ট্রিক্তা মে ২২ দগী হৌরগা নুমীৎ ৬০ চুপ্পা নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ তগী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লগনি হায়না শিবসাগর দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ফোঙদোকখ্রে।

লোনা য়াদবা মওংদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অমসুং খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং চঙলকপা থিংনবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। কর্ফিয়ু মনুংদা অসাম অমসুং নাগালেন্দগী লোন্নবা ঙমখৈদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারোই। অদুম ওইনমক মেজিষ্ট্রেট, সিক্যুরিটি পর্সনেল, আর্মি, সী আর পি এফ, পুলিস অমসুং ওফিসল দ্যুটিগীদমক লাকপা সিভিল ওফিসলশিংগী ওইনদি অথিংবা লৈরোই হায়না এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ফোঙদোকখি।

## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto: 19/03/2019
Valid From: 14/03/2019
**Stk : 612 (CTC)**
Timing:06.30am to 10.00am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto: 01/04/2019
Valid From: 28/03/2019
**Stk : 612 (14 Kg)**
**5 KG Stock Available**
Timing:08.00am to 10.30am
First Come First Serve

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 08/04/2019
Valid From: 02/04/2019
**Stk : 306**
Aadhaar Link consumers only

**JEMON GAS CHINGAMATHAK**
**Sl. No. Upto - 51900**
Booking Upto: 23/02/2019
Valid From: 15/02/2019
**Stk : 612**
Timing:07.00am to 09.30am

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto Date
**Stk : 306**
Timing:07.30am to 11.00am
First Come First Serve

**KHORIPHABA (NAMBOL)**
**Sl. No. 27575 – 28025**
Booking Upto: 10/04/2019
Valid From: 08/04/2019
Timing:07.00am to 09.30am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto: 30/03/2019
Valid From: 20/03/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am
First Come First Chance

**MAHALAKSMI INDANE**
**Sl. No. Upto - 251270**
Booking Upto: 16/04/2019
Valid From: 11/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 11.00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No.: 5771 – 6290**
Booking Upto: 15/03/2019
Valid From: 13/03/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 11.00am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 15/04/2019
Valid From: 25/03/2019
**Stk : 306**
**19 KG commercial available**
Timing:07.00am to 11.00am

**NONGPOK SEKMAI, JCD INDANE**
Booking Upto: 10/04/2019
Valid From: 03/03/2019
**Stk : 306**
Timing:08.00am to 10.00am

**RBD GAS AGENCY**
Booking Upto: 30/03/2019
Valid From: 12/03/2019
**Stk : 612 (Only CTC)**
Timing:06.30am to 10.30am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto: 06/04/2019
Valid From: 02/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am

**J RONGMEI SK INDANE, WANGOI**
**Sl. No.: 37601 – 37930**
**Stk : 306**
Timing:06.30am to 09.30am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto: 27/04/2019
Valid From: 23/04/2019
**Stk : 612**
Timing:07.00am to 10.00am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**Sl. No. Upto - 39154**
Booking Upto: 26/03/2019
Valid From: 12/03/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am
First Come First Serve

# ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চৎলিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী লম্বী দবল লেন ওনখৎপা মথৌ তারে

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):
হান্না নেসনল হায়ৱে নম্বর ১৫০ কৌরম্বদগী হৌজিক্লা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু ওনখ্রবা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চৎলিবা ইম্ফাল, চুড়াচান্দপুর, থানলোন, ফেরজোল, পরবুং অমদি টিপাইমুখ ফাওদুনা চৎলিবা হায়ৱে অসি মতমগী মতুং ইন্না হৌজিক দবল লেন ওইনা ওনখৎপা য়াম্না মথৌ তারে।



চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী পরবুং সব দিভিজন ফাওবা অসি চাউরাক্লা কিলোমিটর ২২৫ রোমনি। হায়ৱে অসিগী লম্বী সিঙ্গল লেন ওইরি। করিগুম্বা লম্বী অসিদা গাড়ী অনী থৈনবা মতমদা লম্বী খরা পাকপা মফমদা হান্না গাড়ী অমনা খরা থৈদোক্তুনা খামহৌদ্রবদি গাড়ী থৈনফম লৈতবদগী দ্রাইভরশিংদা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া তোয়না মায়োক্নরি।

হায়ৱে অসিদা খ্বাইদগী ফীভম ফত্তনা লৈরিবা মফমশিংদি চুড়াচান্দপুর টাউনগী মনিং পাংনা হেক থোকখিবগা কিলোমিটর ১০গী এরিয়া অসি হায়নীংঙাই লৈতনা লম্বী ফত্তে। হান্না কোয়লাস থারম্বা শরুক খরসু লৈঙাক্লা রিপ্যারিং তৌহৌদবনা নুং লোয়না ফক্কৎতুনা পাইথোকখিবদগী লম্বী অসিগী ময়াযদা কোমজাউ কয়া অমসু লৈবগা লোয়ননা গাড়ী থৌবদসু কন্না থৌবা য়াদ্রে। মমাঙদা গাড়ী অচৌবা অমা হেক থৌখিবদা তুংদা লাকপা মীওইদি উফুলনা মায়-মীৎ অমদি ফিরোল সলাক শারে। হায়রিবা লম্বী মতেক অসি নোং চুরগনা লৈখোম লৈনাং থোকপা অদুগা নুংশা শারগনা উফুল হৌরি। গাড়ী দ্রাইভরশিংনা অচৌবা কোম থৈদোক্লগা অফবা লম্বী থিরগা গাড়ী থৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মসিদা নত্তনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী বুকপী খুললোমদা কিলোমিটর ১০ রোমগী এরিয়াদসু হৌজিক হায়ৱে অসি ফীভম য়াম্না ফত্তনা লৈরি। লম্বী মতেক অসিদা হান্না থারম্বা লম্বীগী কোয়লাসশিং মতম চানা রিপ্যারিং তৌহৌদবনা হৌজিক ফীভম শোকচিল্লক্লে।

মফম অসিসু গাড়ী থৌবদা উখুল য়াম্না হৌবনা গাড়ী অচৌবা অনী থৌমিন্নবদা খরা লাপ্পা থৌনদ্রবদি তুং থংবা গাড়ী অদু উফুল চাবা শোয়দ্রে। মসিদা নত্তনা চুড়াচান্দপুর টাউন্দগী ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ফাওবগী হায়ৱেগী শরুকশিং মফম কয়াদা লম্বীদা ঈশিং তুংদুনা লৈবা য়াওরি। লম্বীগী নাকলদা লৈবা নালা-দ্রেনসু মতম শাংনা শেমজিনবীদবনা অমদি তেংথোকপীদবনা হৌজিক নারক-মোংশোং ওইনা লৈরে। দ্রেন শেংবীদবনা নাপী ময়াম হৌজিনবদগী হায়ৱে অসিসু পীকশিনবা ওইনা উহল্লি।

লম্বীদা গাড়ী চৎপদা মহূ কনবা লীন অশংবা অমদি তিনবুল নাপুন্নচিংবা থোরক্তুনা লম্বীদা চৎলম্বা থেংনৈ। হায়ৱে অসিগী ফীভম ফত্তবা অমদি মতম শাংনা লম্বীগী নাকলদা লৈবা দ্রেনসু শেংদোকপীদবদগী য়াম্না শোংবা মরম্না কনাগুম্বা মীওই অমনা লম্বী অসিদা নাইতোম চৎপদা অকিবা অমদি হঙ্গোইবা ফাওনরি।

লম্বীদা গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভর খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা নেসনল হায়ৱেসিদা হান্না কোয়লাস থাখিবা চহী ১০ রোম হেল্লল্লনি। মতম শাংনা মণিপুর লৈঙাক্লা লম্বী অসি রিপ্যারিং তৌবীহৌদবনা ঙসিদি ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে। লম্বী অসি গাড়ী য়াম্না চৎতবনা হান্না বি আর ওনা থারম্বা অরিবা কোয়লাস লম্বী মতেক খরদদি ফীভম ফনা লৈবা য়াওরি। লম্বী অসিগী চীংগী গোলাই মশীং য়াম্না লৈরিবা অসি নৌনা লম্বী শেল্লকপদা খরা খরা হক্তহনবা য়াম্না মথৌ তারি।

দ্রাইভর অসিনা মখা তানা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হান্না শিরুরবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) অমুক হিঙ্গৎহন্দুনা লম্বীদা পেসেঞ্জর সার্ভিস চেলহল্লকপা অসি য়াম্না ফৈ। অদুবু সিঙ্গল লেন্দদা বস অশাংবা থাজিল্লকপা অসিদি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাইনি। ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চুড়াচান্দপুরদগী ফেরজোল ফাওবা এম এস টিগী বস থারম্বা অদু লম্বীগা চানদবদগী কোন্না খরা পীকপা ৪০৭ বস ওইনা থাদুনা চেলহনখি।

হায়ৱে অসিদা চুড়াচান্দপুরদগী ফেরজোল লোমদা চংখিবা মতমদা এস খোলিয়ান হেংলেপ লমখায়দা মীয়ামগী চাক চাফম হোটেল লৈ। অদুগা ফেরজোলদগী চুড়াচান্দপুরদা থোরকপদনা সন্তিংদা পেসেঞ্জর ময়াম চাক চাফমগী হোটেলশিং হাংদুনা লৈরি। হায়ৱে অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা আইনা, এম খোলিয়ান অমদি টুইতাফাইনচিংবদা অসাম রাইফলসকী চ্যেক পোষ্টনচিংবা হাংদুনা লম্বী অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ঙাক শেল্লি।

অমরোমদা, পি দব্লিয়ু দিগী ওফিসল অমদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না হায়ৱে নম্বর টু অসিগী দানদৈ অমদি তাইথুগী মরক্তা চেনবা বরাক তুরেলগী মথক্তা বেল্লি ব্রিজ অমা শারি। হায়রিবা থোং অসি শাবা লোইরগদি টিপাইমুখ লম্বীদা চৎথোক চৎশিনসু নুংঙাইরগনি। হৌজিক পরবুং এরিয়াদগী নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সীএল) না লম্বী শেম্বগী থবকসু কন্না চখরি। মসিদা নত্তনা তুইটাফাই অমদি পি সেকোলগী মরক্তসু কোয়লাস থাবগী থবকসু চখরি।

অমরোমদা, হায়ৱে অসিগী নাকল্লদা হৌজিক খুন্দারিবা খুনশিংদি বুংমোল, তৈজাং, গাংপিমাং, হেংকোৎতাং, খোরচ, তুইটাফাই, পি সেজোল, হেংকোন, ন্যু পাংশাং টু ইলুনজাং, এস খোলিয়ন, তিংকেন, চিংপি, খোজিন, ভি মুনলাই, লুং চুং আইনা, পুলহোইচিং, সন্তিং সাইহুন চোংচিন, সী জেলেন, সোইনৌজাং, লৈজাংফাই, দানদৈ, তাইথু পরবুং লুং য়ু লুন, সিপুইকোন, টিপাইমুখ অমদি বরাক তুইবাই তুরেলনচিংবা লৈরি।

মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়ৱে অসি মতমগা চুনবা মওংদা দবল লেন ওইনা শেমগৎপীনবা লম্বীগী নাকলদা তারিবা খুঞ্জাশিংনা প্রেসকী খুৎথাংদা ফোঙদোরক্লি।

# রাধাকিশ্বরনা ওইনাম ৱাটর সপ্লায়গী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):
ওইনাম এ সীগী এম এল এ, এল রাধাকিশ্বরনা ঙসি ওইনাম ৱাটর সপ্লায়গী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

ৱাটর সপ্লায় য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম এল এ রাধাকিশ্বরনা হায়খি, ওইনাম ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী পায়খৎলিবা থবকশিংগী মনুং চন্না রিজার্ভর ওইগদৌরিবা পুখ্রি অসি তৌখৎলকপদগী লম্বী চৎনবা য়াদ্রে হায়দুনা কন্না ক্লেম তৌখিবা অদু মীয়ামগী ৱাখল চরাংনহন্নবনি। লম্বীগী ফীভম ফনা লৈরি। চপ চানা শীজিন্নবা য়ারি। পুখ্রি অমা তৌবা হায়বসি অকোয়বদা শোকপা মহৌশানি। হায়রিবা পুখ্রি অসি তৌবদা নাকলদা লৈবা লম্বী অসি শোকপা তারগদি লম্বী অসি কন্ননবা রিটর্নিং ৱাল চন্নবা ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্টকী ফন্দদা য়াওরি।

পুখ্রি অসি তৌবগী মরুওইবা মরম্না ওইনাম খুলদা ঈশিংগী অৱাবা লৈরিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবনি। পুখ্রি অসি চহী ৫০ রোম শুরবনি। কুইনা য়েংশিনদবদগী ঈশিং অসি শীজিন্নবা য়াদনা লৈরিবনি। ঈশিংগী অৱাবা কন্না মায়োক্নরকপদগী খুল অসিগী অহল-লমন, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী অমদি ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীওইশিং য়াওনা পুখ্রি অসি নৌনা শেংদোক্তুনা তৌখিবনি।

ওইনাম ৱাটর সপ্লায় মনুংদা মীওই খরনা চঙশিল্লগা হান্না লৈরম্বা লৈঙোই লৌথোক্তুনা অনৌবা হাপচিল্লগা ঈশিং পীনি হায়না মীয়ামদা হায়রম্বা অসি অঙকপনি। ঈশিং য়াওদনা লৈঙোই থল্লগা কদায়দগী ঈশিং পীগদৌরিবনো। ঙরাং থল্লল্লিবা লৈঙোইশিং অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতগী ভেরিফিকেসন য়াওব্রা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই। লৈবাক অসিগী য়াইফনবা সোসল ৱার্কর, ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি লিদরশিংনা থবক পায়খৎলকপা খুদিং শৌগৎলি। অদুবু টেক্নিকেলগী ওইবা মরমদদি মুন্না খঙলগা থবক তৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ওইনাম ৱাটর সপ্লায়গী ঈশিংগী সোর্সকীদমক সাইপৎ হায়না খঙনবা পাৎকী শরুক্তগী পম্প পান্দুনা ঈশিং কাপ্লগা ওক্সোইদা রিজার্ভর, ওভর হেদ টেঙ্কনচিংবা শাদুনা থল্লগা ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ কয়াদা ঈশিং ফংহনগদবনি হায়রি।

## কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিস কমান্দো অমদি ২৬শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা য়ু এন এল এফকী কাদরনি হায়বা মীওই অমা থৌবাল কৈথেলগী থোংখোংদগী ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারনা নুপা অদুগী মমিং চিংঙাখম সুরচন্দ্র এলাইজ চিংখৈমচা (৩৬) অপোকপা সী ঐচ লৈরেঞ্জাও কৌই। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অন্দ্রো অৰাং লৈকায়দা লৈবনি। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অমা ফংলে। কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা সুরচন্দ্র কুমজা ১৯৯৯গী ওক্টোবর থাদা লূপ অসিগী সনাতোম্বা কৌবা মীওই অমগী খুৎথাংদা য়াওরগা থা ৩ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী শজিক তম্পাক্তা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং তৌরুরে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ফাজিল্লিবশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোরক্ত্রবদি ষ্টেট ৱাইদ এজিটেসন চখ্থরগনি : কে এস ও

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):
মমাঙ থা এপ্রিল ২৫গী নুমিদাংদা শুগনুদা লৈবা সেন্ট জোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুল মৈ থাদোক্লম্বা থৌদোক্কা মরী লৈননা হৌজিক পুলিসনা ফাজিন্দুনা জেলদা থম্লক্লিবা মীওই অহুমদা থর্দ দিগ্রী টোর্চর তৌবদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নবা য়াওরে হায়রদুনা মীওই অহুম অসি কন্দিসন য়াওদনা থাদোরক্ত্রবদি কে এস ও, চান্দেলনা ষ্টেট ৱাইদ এজিটেসন চখ্থরগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও), চান্দেলগী প্রসিদেন্ট থাংজলুন হাওকিপ অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ফেলিক্স লুংদিম অনীনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবনি।

চেরোল অসিনা হায়, স্কুল মৈ থাদোক্লমখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগী লূপ অসিদা মরাল কয়া শিরক্লে। থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়দুনা কে এস ও, গুনপি ব্লোক্কী থৌপুবা দেবিদ জাম্মিনলেন বাইটে অমসুং থাংখনলাল হাওকিপ্পু পুলিসনা মখোয়গী ময়ূমশিংদগী ফাগৎখি। মখোয় অনী থৌদোক থোকখিবা নুমিত্তুগী নুমিদাংদুমক্তদা ফাজিল্লগা ৱাহং পাউহং চখ্থরবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা জেলদা থম্লক্লিবনি হায়রি।

অদুবু থৌদোক অদুদা মখোয়গী থৌপুবা মীওই অমত্তা চেন্নবা লৈতে হায়দুনা থা অসিগী ২দা কে এস ও, গুনপি ব্লোক্কী মায়কৈদগী মীয়ামদা শেংদোকখ্রবনিসু হায়রি। অদুম ওইনমক মীয়ামদা শেংদোকখিবা অসিগী মথংগী নুমিৎতা হৌখিবা থা ২ রোমগী মমাঙদগী ইম্ফালদা লৈখ্রবা কে এস ও, চান্দেলগী থৌপুবা পিটর মাংখোহাও লুংদিমবুসু পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাজিনখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, ইকোন কোন্না ফাজিনখিবা পিটর মাংখোহাও লুংদিম অসি পুলিসনা থর্দ দিগ্রী টোর্চর তৌবদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। থৌওং অসি থৌদোকসিদা মহাক চন্নদে অমসুং মরাল লৈতে হায়বা খঙনা খঙনা চখ্থরকপা থৌওংনি হায়রি।

মরম অসিনা ফাজিল্লিবা মীওই অহুম্বু জেলদা থমজিন্দুনা ফিজিকেল টোর্চর চখ্থরক্লিবা থৌওং অসিদি কে এস ও, চান্দেলনা খাঙবা ঙম্বগী মায়োক্তনি হায়বগা লোয়ননা মখোয় অহুম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি। করিগুম্বা থাদোরক্ত্রবদি ষ্টেট ৱাইদ এজিটেসন চংশিল্লগনি হায়রি।

## লেবররশিংগী ৱেজেজ পীথোকপীয়ু : এসোসিএসন

বিষ্ণুপুর, মে ০৭ (ঐচ এন এস):
নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা স্কিল এন্দ অনস্কিল লেবরর ৫৪গী থা ১৯গী ফংদনা লৈরক্লিবা ৱেজেজগী মনুংদগী থা ১১গী রিলিজ তৌখ্রগা ফংহন্দ্রিবা অসি পীথোকপীয়ু হায়না নম্বোল ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল এন্দ অনস্কিল লেবরর এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন নবকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিনা শীন্দুনা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা এল নবচন্দ্রনা মখা তানা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা স্কিল অমসুং অনস্কিল লেবররশিংগী ৱেজেজ মতম শাংনা থা ১৯ ফংদদুনালাকখিবা অদু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থা ১১গী ওইনা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা চহী অসিগী মার্চ ২৭তা রিলিজ তৌদুনা কাউন্সিলগী খূৎথাংদা ৱর্দ দিভলপমেন্টকী একাউন্টতা চঙদুনা লৈরবসু নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা কেস অমা লাকপদগী ফংদদুনা লাক্লি। মতম কুইনা অৱাবা তারক্লবা স্কিল অমদি অনস্কিল ৱার্করশিংগী ৱেজেজ অসি ফংদুনা লাকপনা লেবররশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। মরম অসিনা লেবররশিংগী ৱেজেজশিং পীথোকপীয়ু হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লেবররশিংনা ৱেজেজ ফংদবনা মরম ওইরগা ইমুং মনুং পুবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। লেবরশিংগী অৱাবা অসি য়েংবীরগা মরী লৈনবশিংনসু হিরমসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# মহৈরোই ১২না মার্ক চাদা ১০০ ফংবা ঙমখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী)ঃ**
কাউন্সিল ফোর ইন্দিয়ন স্কুল সার্টিফিকেট ইকজামিনেসন (সি আই এস সি ই)না লৌবা ক্লাস ১০ অমদি ক্লাস ১২কী ইকজামগী ফল লাউথোকখ্রে।

ক্লাস ১২কী ইকজামদা মহৈরোই অনীনা মার্ক চাদা ১০০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লাকখি। খ্বইদগী মকোক ইথং থংনা লাকখিবা মহৈরোই অনী অদুদি কোলকতাগী দেৱাং কুমার অগরৱাল অমসুং বেঙ্গালুরুগী বিভা স্বামিনাথননি।

ক্লাস ১০গী ওইনদি মুম্বাইগী জুহি রুপেস কজারিয়া অমসুং পঞ্জাবকী মনহর বন্সালনা চাদা ৯৯.৬০ ফংদুনা মকোক ইথং থংনা লাকখি।

মহৈরোই ১০না অপুনবা মার্ককী চাদা ৯৯.৪০ ফংদুনা ২শুবা পোজিসন তাখি। অপুনবা মার্ককী চাদা ৯৯.২০ ফংখিবা মহৈরোই ২৪না অহুমশুবা পোজিসন পুন্না লাকখি।

ক্লাস ১২কী ওইনা মহৈরোই ১৬না অনীশুবা পোজিসনদা লাকখি। হায়রিবা মহৈরোইশিং অদুনা অপুনবা মার্ককী চাদা ৯৯.৭৫ ফংখি। অহুমশুবা পোজিসনদা লাকখিবা মহৈরোই ৩৬না অপুনবা মার্ককী চাদা ৯৯.৫০ ফংখি। ক্লাস ১২কী ইকজাম ফেব্রুৱারি ৪দগী হৌরগা মার্চ ২৫দা লোইখিবনি। ক্লাস ১০গী ওইনদি ফেব্রুৱারি ২২দগী মার্চ ২৫ ফাওবা এগজাম পাঙথোকখি। পাস তৌবগী চাং ক্লাস ১০গী ওইনা চাদা ৯৮.৫৪নি অমসুং ক্লাস ১২কীনা চাদা ৯৬.৫২নি।

# সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামদা লৈঙাক্কী স্কুলশিং মায় পাকপগী চাং নেম্লি

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস): সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ) না লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামদা গুৱাহাতি জোনগী ওইনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং নেম্না লৈরি।

হিরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেট তরেৎ অমসুং সিক্কিম য়াওনা গুৱাহাতি জোনগী মখাদা লৈবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিংনা হন্দক্কী এগজামদা মায় পাকপগী চাং চাদা ৫২.৬৭ ওইখি। লৈবাক অপূনবগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯১.১ ওইখিবা তারবসু গুৱাহাতি জোনগী ওইনা প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং চাদা ৯২.৭৩ ওইখি।

লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং নেম্বগী মতাংদা সী বি এস ঈগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদ হায়খি, স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবা অমসুং অফবা ওজা মশিং ৱাৎপনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং নেম্বনি।

হন্দক চহীগী ওইনা গুৱাহাতি জোনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ৯৬৬ কী মহৈরোয় ৬৩,২৩৮ না ক্লাস টেনগী এগজামদা শরুক য়াখি। পুন্না সেন্টর ৩৩৭ তা এগজাম থাখিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা শুপ্নগী মহৈরোয় ৪২,২৮৫ মায় পাকখি। হন্দক চহীগী ওইনা নুপামচা অমসুং নুপীমচা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা মায় পাকপগী চাং থোইদোক্লা খেন্নবা লৈতে। নুপামচা মহৈরোয়শিং পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৪.৬১ নি অমসুং নুপীমচা মহৈরোয়শিং পাস তৌবগী চাংনা চাদা ৭৪.৩৬ নি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়, সী বি এস ঈদা এফিলিয়েট তৌবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং হন্থরকপা তারবসু কেন্দ্রিয়া বিদ্যলয়াশিংগী ওইনদি মায় পাকপগী চাং ৱাংখৎলকপা থেংনখি। গুৱাহাতি জোনগী মখাদা লৈবা কেন্দ্রিয়া বিদ্যলয়াশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং চাদা ৯৮.৪৭ য়ৌখি। জৱাহর নবোদ্যা বিদ্যলয়াশিংগী ওইনদি মায় পাকপগী চাং চাদা ৯৫.৭৩ ওইদুনা অনীশুবদা লৈখি। চহী অসিদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যলয়াগী ফীভম ফগৎলক্লে হায়রি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা সোসল মিদিয়াদা ২শুবা ফোলোৱর খ্বাইদগী য়াম্বা লুচিংবা ওইরে

**ন্যু দিল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী)ঃ**
হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী হেক মথংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সোসল মিদিয়াদা ফোলোৱর খ্বাইদগী য়াম্বা পোলিটিসিয়ন ওইরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিজিটেল মার্কেটিং প্লেটফোর্ম এস ই এম রসনা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি হৌজিক হৌজিক নরেন্দ্র মোদিগী ফেসবুক্তা ফোলোৱর মিল্লিয়ন ৪৩, ত্বিটরদা ফোলোৱর মিল্লিয়ন ৪৭ অমসুং ইনষ্টাগ্রামদা ফোলোৱর মিল্লিয়ন ২০ হেন্না লৈ।

তোঙান-তোঙানবা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা বরাক ওবামাগী অপুনবা ফোলোৱর মিল্লিয়ন ১৮২.৭ লৈবতা নরেন্দ্র মোদিগী মিল্লিয়ন ১১০.৯ লৈরি। হৌজিক হৌজিক য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা দোনাল্ড ট্রম্পকী ওইনদি সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা অপুনবা ফোলোৱর মিল্লিয়ন ৯৬ রোম লৈ। অদুম ওইনমক ত্বিটরদা দোনাল্ড ট্রম্পকী ফোলোৱর মিল্লিয়ন ৫৯.৮ লৈবা মরম্না অনীশুবা ফোলোৱর খ্বাইদগী য়াম্বা পোলিটিসিয়ন ওইবা ঙল্লি।

রিপোর্ট অমনা হায়, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগী ফেসবুক, ইনষ্টাগ্রাম অমসুং ত্বিটরদা ফোলোৱর মিল্লিয়ন ১২ রোম লৈ। মালেমগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল লিদরশিংনা পুক্নিংগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোক্লবগী মতাংদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না শীজিন্নরিবা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মদি ত্বিটরনা ওইরি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হৌজিক নরেন্দ্র মোদিগী ফোলোৱার মিলিয়ন ১১০ রোম লৈ। ফোলোৱার মশিং য়াম্বদা মোদিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতগী মাঙজিল থানা লৈরি। দোনাল্ড ত্রম্পকী ফোলোৱার মিলিয়ন ৯৬নি। অদুম ওইনমক ত্বিটরদা হৌজিকসু ত্রম্পনা অনীশুবা ফোলোৱার খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা পোলিটিসিয়ন ওইরি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## হেরিটেজ সাইট ওইরিবা টেঙ্গোল...

*লামায় ১গী মখা...* শাগৎপমক্তি য়াররোই। অদুমকপু লৈরিবা ফীভম অসি মাঙহন্দনা য়োকখৎতুনা থল্লগা লাকপা অসিগী মথক্তা হেন্না মওং মরীল তানা লৈহন্নবগীদমক শেমজিন শাজিনগদবনি। খোংজোম হায়বা মফমসিদা থোকখিবা পুৱারীগা শাগোন্নবা থৌদোকশিংগী মনুংদা টেঙ্গোল লম্পাক অসিসু বৃটিশকা লান্থেংনখিবা মফম অমা ওইরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা স্কোলর নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা হায়খি, টেঙ্গোল লম্পাক অসি মৈতৈ লানবন হায়না খঙনরক্লবা মফম অমনি। মণিপুরগী পুৱারীদা খোংজোম লান হায়বসি মুৎপা নাইররোইদবা অমনি। খোংজোমদা শোক্লখিবা লানফমদা মীতৈ টেঙ্গোলনা বৃটিশকী লান্মীশিংনা চখ্থরকখিবা লান দাশিংবু ঙাক্লনবগীদমক মফম অসিদা লানবন শেম শাখি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। মীতৈশিংনা শাখিবা লানবন অসি বর্ম্মা লম্বীগী নোংচুপতা গজ ২০০ রোম লাপ্পী অমসুং কোয়দানবা মওংদা লানবন অদু শাখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## ফিজং মরুমদা ফোঙখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা নোংমাইথেম কিরনকুমার, কনভেনর, মণিপু লেঙ্গোইজ এদভাইজরিবোর্দ, সাহিত্য একাদেমিনা অথোইবা মীথুং, য়েংখোম কেঙবা (শ্যামশরন), প্রসিদেন্ট সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচীং মণিপুরনা থৌরম মপু অমসুং পুখ্রম্বম নিমাই, থবক্তগী পোত্থারবা জেদ ঈ ওনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মৈতৈ ময়েক অমসুং বাংলা ময়েক অনীমক্তা ইরবা শৈরেংগী লাইরিক অদুদা শৈরেং ৪৬ য়াওরি, অপূনবা লমাই মশীংনা ৩৩৭ পাল্লি। ঙসি ফোঙখিবা শৈরেং লাইরিক অদুগী মতাংদা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনি লেকচরর, ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ৱা ঙাঙখি।

## শুগনুদা শো মিল অমা মৈনা চাকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* কন্না হোৎনবদগী অয়ুক পুং ৫.৪০ রোম তাবদা মৈ অদু মপুং ফানা মুত্থৎপা ঙমখি। শো মিল অদুগা থংননালৈবা রাইস মিল অমসু মৈনা ৱাইগে তৌরকপদগী ফায়র সার্ভিসনা কনবা ঙমখি। মৈ চাকপা অদুদা উ অমদি মেছিনগী শরুক খরসু য়াওখ্রে। অদুবু অখায়বা উপাক খরা কনবা ঙমহৌখি। মৈ অদু কনাগুম্বা মীওই খরনা থারম্ব্রা হায়বগী চিংনবদি লৈ। অদুবু চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা শুগনু পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE CHIEF INSPECTOR OF FACTORIES & BOILERS
CUM DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRIES

CORRIGENDUM TO NOTICE INVITING SUGGESTIONS/OBJECTIONS

Dated : Imphal, the 7th May, 2019

No. F-74/IND/2014 : In continuation of this Directorate's notice of even number dated 29/04/2019 the phrase "Official Gazette" is to be substituted by "newspaper."

Sd/- C. Arthur Worchuiyo
Chief Inspector of Factories & Boilers cum
Director of Trade, Commerce & Industries, Manipur

HL-B/5379/8

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2019-20
Special Attractions
1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road
HL-B/5377/8,9,11,13,15,17

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
& Etech COMPUTER
Special Classes for X, XI & XII Appeared Students
English Course + Free 1 mth. Computer Course
Instructor :
SIR NAOBI LOITONGBAM
FREE FOR ORPHANS
19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
# 7005622203, 7005665814
English Features :
Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Soft-skills, Daily Conversation, Personality Development, etc.
Computer Courses :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing, HTML Programmings, Data Entry, etc.
SPOKEN HINDI CLASS AVAILABLE
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
Old Lambulane, Jail Road, Opp. G.P. Women's College
HL-B/5359/27/4-27/5